# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-07-2024)**

**খুৎলায় (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিল্লকনবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দেমিনেসনগী থবক চথরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইথৌদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। খুৎলায়শিং অদুদি- মেগজিন অমা য়াওবা এস.এম.জি. করবাইন অমা, সিঙ্গল বেরেল অমা, ৱয়ারলেস সেট অমা, আইটি ৱান মোটার সেল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ নিপান, ইষ্টর্ন সেল অমা, টিয়ার গ্যাস স্মোগ সেল অনি, দিটোনেটর মরি, নাইন এম.এম. লাইফ রাউন্দ মঙা য়াওরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অসিনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং চিংদগী মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, এস.এল.আর. অনি, নাইন এম.এম. পিষ্টোল মরি, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, লাইফ রাউন্দ ইম্ম্যুনিসন ২০ নচিংবা ফাগৎখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কাপরাং, কিপমুনৱাম অমসুং সাইহেনজাংগী অকোইবা মফমশিংদগী পম্পী অমা ফাগৎখি।

অমরোমদা, লমফেল সনা কৈথেলদা মীওই অমবু শকখঙদবা মীওই খরনা নোংমৈনা কাপ্লম্বগী থৌদোক্না মরী লৈননা মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা নাগামপাল অমসুং খুয়াথোং পোলেম লৈকাইদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা এক্স কেলিবুর রাইফল অমা, মরু ১৪ য়াওবা এম.এ. থ্রি এম.কে. টু রাইফল অমা ফাগৎপা ঙমখি।

মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সঙাইপ্রৌদগী মীওই অনি ফাগৎখি। মখোয়দগী মরু ১৯ য়াওবা ফোরটি ফাইব পিষ্টোল অমা, নাইন

এম.এম. পিষ্টোল অমা, মেগজিন অহুম ফাগৎখি।

**বিমোল (এল)ঃ** মমাং চহিগী মে অহুমদগী হৌরকখিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা মশাগী ময়ুম থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংবু ময়ুম ময়ুমদা হনজিলহন্নবগী মতাংদা রিপোর্ট শেন্নগা থবক পায়খৎনবগীদমক মীওই তরানা শাবা কমিতি অমা শেমলে হায়না এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তনা হায়-কমিতি ওন রি-সেট্টলমেন্ট ওফ ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন্স ওফ মনিপুর হায়না মিংথোনবা কমিতি অসিনা মরুওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং, থৌবাল অমদি বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী হৌজিক ওইরিবা পুন্সি মহিং অমদি মরুওইনা নহাশিংগী ওইনা মহে মশিংগী থাকশিং খঙদোক্তুনা রিপোর্ট শেন্নবা মতুং মখা তাবা থবকশিং পায়খৎকনি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-মখোয়বু মশা মশাগী ময়্মদা হনজিনদুনা লৈহননবগী মতাংদা করি থবকশিং পায়খৎপা য়াগদগে হায়বদুসু কমিতি অসিনা কুপা খন্নগনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরি দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী এদভাইজরগী লৈঙাংপোকপীদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম শকখঙদবশিংনা মৈ থারম্বগী থৌওং অদুবু জিরি অপুনবা লুপনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা য়ুম মৈ থারম্বগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। মরি লৈনবশিংনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা আপিল তৌরি।

**খোঙচৎ (এল)ঃ** থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক লল্লোনবা অমদি

নহা ওইরিবা কয়ানা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইপাক্তা লুপ্তুনা লৈরিবা অসি খুদক্তা থেংননবগী পান্দমদা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই অপুনবা মৈরা পায়বী লুপনা ঙরাং মৈরা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি. অমসুং থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই অপুনবা মৈরা পায়বী লুপনা খুৎশমরগা পাঙথোকপা খোঙচৎ অদু ক্ষেত্রি লৈকাইগী লাইবুংদগী হৌরগা য়াইরিপোক লম্বীরোমদা থোরক্লগা মোইরাং পল্লি ফাওবা চৎখি।

**এআর (এল)ঃ** ফরজোল জিলাদা লৈরিবা নুপীশিংদা শক্তি পীননবগী পান্দমদা মীসন শক্তিগী মতাংদা নুমিৎ ১০০ নি চত্থগদবা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবা অমদি এনরোলমেন্ট দ্রাইব অমা ঙরাং জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রী আসিস দাসনা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদু জিলা অসিগী দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোল, দি.পি.ও (আই.সি.দি.এস) অমসুং শক্তি ব্রানস্তোক সেন্টরনা পুন্না শিনবনি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা নোনে জিলাগী গেংলোন খুলদা নুপীদা অহেনবা শক্তি পীবা হায়বসিগী মতাংদা মীয়ামদা ভাব তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সমাজতা নুপা অমসুং নুপী অনিগী মরক্তা খেৎনবা থল্লিবা অসিবু মুথৎনবা তোঙান তোঙানবা হীরমদা অখঙ অহৈশিংনা ব্রা ঙাংখি। থৌরম অদুদা খুল অদুগী নুপী অমদি অহল-লম্মনশিংনা শরুক য়াখি। তুংদা, অসিগুল্লবা নুপীশিংগী থৌনা পীবা কান্নরবা থৌরম অমা শিনবীবগীদমক খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী অসাম রাইফলসপু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী শোত্থরবা

কাংলুপশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংশিনবা হায়বসি মহাক্কী এন.দি.এ. সরকার অসিনা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মনুংদা অমনি।

মুম্বাইদা ঙরাং লুপা কোতি ২৯,৪০০ হেনবগী লম্বী অমদি রেল প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনবা অমদি শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-মীয়ামনা তুহৎপীরবা অমদি নাথৈবীরবা মীওইশিংদা মীৎয়েং চংশিনবা হায়বসি মহাক্কী সরকার অসিগী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি।

শ্রী মোদিনা হায়-লাইরবা মীওইশিং, লৌমী, নুপী অমসুং নহাশিং, শোত্থরবা কাংলুপকী মীওইশিবু অহেনবা শক্তি ফংহন্নবা থবকশিং পায়খৎলি। মহাকা হায়-শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা মফম অসিগী লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহনদুনা সহর অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফিভম ফগৎহনবদসু অচৌবা মতেং ওইরগনি।

**গুজরাটঃ** গুজরাটকী সবারকন্থাদা লৈবা হিমত নাগর সিভিল হোস্পিতালদা চান্দিপুরা ভাইরস ইনফেক্সননা নাবনি হায়না চিংনবা অঙাং মরি লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। অতোপ্পা অঙাং অনি লায়না অসিনা নারে হায়বগী চিংনবা লৈবদগী হোস্পিতাল অসিদা লায়েংলি।

অঙাংশিং অসি লায়না অসিনা নারব্রা হায়বদু চপ চানা খঙদোকবগীদমক মখোয়গী ঈ সেম্পলশিং নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইওলোজিদা থাখ্রে। চপ চাবা রিপোর্ট য়ৌরক্ত্রি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা রাজ্য অদুগী হকশেল বিভাগনা শিনদুনা গান্ধিনগরদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা সবারকন্থা, অরভালি, খেদা অমসুং মহিসাগর জিলাশিংদা লায়না অসি শন্দোকপগী মতাংদা য়েংশিন্নবা ৱাফমশিং খন্নখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

পঞ্জাবতগী চেং পুবা রেলগাড়ি খোঙশাংদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা তরামা ওকখিবগী পাউনা ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনা লৈবাক্তা-অহানবা ওইনা চেং মেত্রিক টোন ৯৪৯ য়াওবা ত্রেন খোঙশাংদা য়ৌরকখ্রে, থা ১৪ ইরাং থোক্লবসু চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংদি ৱাৎতনবা হোৎনরি হায়না সি.এম. বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর ন্যুজ, পিপলস ক্রোনিকল, পোক ফম, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংবু মশাগী ময়ুমদা হনজিন্দুনা লৈহন্নবগী মতাংদা থবক পায়খৎনবগীদমক মীওই ১০ না শাবা কমিতি অমা শেমলে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ডাক্তরশিংনা পনিসমেন্ট কিবগী খল্লগা মথৌ পাঙথোকপগী মহুৎ ইশাগী ইথৌনি খল্লগা পাঙথোকপীয়ু হায়না ডা: সাপম রঞ্জননা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউ চে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লিবা দি.এম.য়ুগী মহৈরোইশিং নোংঙাল্লমদাই থাদোরকখ্রে। এম.য়ুদা ভি.সি. পান্দেগী মতমদা থোকখিবা থৌদোক দি.এম.য়ুদা থোক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না মহৈরোইশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-স্কোর কিলোমিটর ২৩২ খক্তমক পাক চাউবা জিরিবামদা মনিপুর লৈঙাকা তমথিরবা লান থোকহন্দবা ঙমদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী শেম্বগী থবক অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা কেন্দ্রগী রোর্ড ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মন্ত্রি-নিতিন গদকারিনা তকশিনখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পোকফমদা-কোকোমিগী টিম অমনা জিরিবামগী দি.সি. অমদি এস.পিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

জুলাই ২৮ দা দিল্লিদা, দিল্লি মীতৈ কোওর্দিনেটিং কমিতিনা শিনদুনা অচৌবা খোঙজং চংশিনগদৌরি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।